HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাও




চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মহাক্কী সেক্রেটরিএটকী নোংচুপ থংবা থোঙ্গালদা জি পি এস য়াওরবা হায়রে পেট্রোল ভেহিকল ১২ দিষ্ট্রিক্ট পুলিসশিংদা খুৎশিন্নদুনা লমথাখিবা


রঘু লৈশাংথেমনা ইরম্বা ঐনা শকখিদ্রবা ঈশৈ হায়বা লাইরিক ফোঙদৌরি
☛ লামায় ২

ফৈগনদা ব্রাউন সুগর নপশিল্লগা পুরম্বা নহা ১ ফারে
লামায় ৩

কোলেজশিংগী মীখল ওক্টোবর ১২দা পাঙথোক্লগনি
☛ লামায় ৫

ওজা সনাতোম্বদা সো কোজ নোটিশ থাজিনবা কন্দেম তৌই : কাদা
☛ লামায় ৬


চূড়াচান্দপুরগী গাংপিমুরদা লৈবা রেবর্ন কোলেজদা অজাদি কা অমৃট মহোটসবকী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল যুব উটসব (য়ুথ ফেষ্টিবেল), ২০২২ পাঙথোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবশিং




Vol. 46, Issue No. 189 | য়ুমশকৈশা, মেরাগী ১০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, October 05, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


### পোলিটিকেল পার্টিশিংদা ঈ সী আইগী চেরোল

# মীখলগী ৱাশকশিং থবক্তা ওন্থোকপা ওন্থোক্তবগী মতাংদা চপখৎকদৌরি

ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সী) :
মীখল পাঙথোকপদা ফ্রী, ফেয়র অমসুং ত্রান্সপরেন্ট ওইহনবগী থৌওং অসি দেমোক্রেসিগী অশেংবা মশক অমা ওইগদবনি হায়বা ৱাফমগা লোয়ননা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীখলগী মতমদা পুথোকপা ইলেক্সন মেনিফেষ্টোশিংদা শকখিবা ৱাশকশিং থবক্তা ওন্থোকপ্রা নৎত্রগা ওন্থোক্তব্রা হায়বগী মতাংদা কূপ্না য়েংশিন্নবা ঈ সী আইগী মায়কৈদগী পোলিটিকেল পার্টিশিংদা অইবা চেরোল পীখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) গী সিনিয়র প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি নরেন্দ্র এন বুটোলিয়াগী চেরোল অদু ঙসি লৈবাক অসিগী রিকগনাইজ নেসনল/ষ্টেট পোলিটিকেল পার্টিশিংগী প্রসিদেন্ট/চ্যেরপর্সন/জেনরেল সেক্রেটরিশিংদা এদ্রেস তৌদুনা পীখিবনি।

ঈ সী আইগী মায়কৈদগী লৈবাক অসিগী রিকগনাইজ নেসনল অমসুং ষ্টেট পোলিটিকেল পার্টিশিংদা পীখিবা চেরোল অসিগী মরু ওইবা পান্দমনা ইলেক্সনশিংগী মতমদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীখলগা মরী লৈননা পুথোকপা মেনিফেষ্টোশিংদা মীয়ামদা থাজবা পীখিবা/শকখিবা থবক ওইনা ওন্থোক্কনি হায়বা ৱাশকশিং অদু তশেংনমক থবক্তা ওন্থোকখিব্রা নৎত্রগা ওন্থোকখিদব্রা হায়বদু য়েংশিন্নবনি। মসিগা মরী লৈননা মীখলশিংগীদমক পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং কেন্দিদেটশিংনা ...মখা লামায় ৫ কলম ২

### সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইনবা রেকমেন্দেসনদা মণিপুর হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস য়াওরে



ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েল শঙ ওইরিবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী লৈফম থোকপা জজশিংগী সেঙ্কসন ষ্ট্রেঙথকী মশীং ৩৪ ওইরবসু হৌজিক জজ ৫গী ফম ৱাৎতুনা লৈরকপদগী মসিবু মেনশিন্নবগীদমক এপেক্স কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিসনা কোলেজিয়মগী ...মখা লামায় ৫ কলম ৫

### য়ুগী ৱাফম : দ্রাফ্ট লোইশিল্লক্লে,
# ইমাশিংদা থারগা য়েংহনগনি : বিরেন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচএনএস) : য়ু লিগেলাইজেসন তৌবগী মতাংদা দ্রাফ্ট অমা শেম্বা লোইশিল্লক্লে হায়রদুনা দ্রাফ্ট অসি হেক লোইবগা ইমাশিংদা থাদুনা অথুবদা য়েংহল্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসশিংনা শীজিন্নগদবা জি পি এস য়াওরবা হায়রে পেট্রোল ভেহিকলশিং খুৎশিন্নবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

গাড়ীশিং অসিবু খুৎশিন্নবগী থৌরমদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা মহাক্না হায়, য়ু লিগেলাইজেসন তৌবগী মতাংদা মীদিয়াদা পংইদা ইবা অমদি পংঙাঙদা ঙাঙবনা ইমাশিংদা হেন্না মথ্বায় নুংঙাইহন্দ্রে। য়ু লিগেলাইজ তৌরবনিনা স্কুলদা থকঅনি হায়বা ৱাফমগুম্বদুদি য়াম্না লানবা ওইগনি। পল্লিক্তা খন্ন-নৈনবগী থোরকপদা অখঙবা অমদি অহৈবা মীদা ঙাঙহন্নীংই। য়ু লিগেলাইজেসনগী রেগ্যুলেসন কয়া অমা লৈগনি। মমা মপা ওইবশিংনসু মচা ওইবশিং ঙাক্কনি হায়না খল্লগা লৈঙাক্লা খোঙথাং অসি লৌরকপনি। হকচাং শোক্তবা অমদি ষ্টাম্প নমদুনা য়ু ফংহনগদবনি। নুপী অঙাংদা পংফংদা ফংহনগদবা নত্তে। চহী মতাংগী ওইনা থক্তবা য়াদবশিংগী ওইগনি হায়খি।

লোয়ননা ঙসি চীফ মিনিষ্টরনা খুৎশিন্নখিবা জি পি এসগী খুদোংচাবা য়াওরবা হায়রে পেট্রোল ভেহিকলশিং অদু অহুমশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা য়েন্থোকখিবনি। ঙসিগী ওইনা য়েন্থোকখিবা অপূনবা গাড়ী ...মখা লামায় ৫ কলম ১

## খুন্নাই চাওখৎনবদা আই টিগী থৌদাং য়াম্না চাওই : মিনিষ্টর বসন্তকুমার



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচ এন এস) : হৌজিক্কী মতমদা খুন্নাই অমা মাঙজিল থানা চাওখৎহন্নবা হোৎনবা মতমদা ইনফোর্মেসন অমসুং টেক্নোলোজিগী থৌদাং য়াম্না চাওই হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ বসন্তকুমারনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মণিপুর অসি মহৌশাগা য়েঙনরুবদা অহোংবা কয়া লৈরে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (আই আই আই টি), সেনাপটিনা শীন্দুনা ঙসি মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা আই আই আই টি ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা ইন্সটিট্যুট অসিগী অহানবা কনভোকেসন থৌরমগা মরী লৈননা মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, ইন্সটিট্যুট অসিদা তল্লিবা মহৈরোয়শিংনা মতিক চাবা মীওই অমা ওইরবা মতুং মখোয়না হৈজরিবা মহৈ অদুগী কান্নবা মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনগদবনি। ইন্সটিট্যুট অসিদা তল্লিবা মহৈরোয়শিং অয়াম্বা মপাল লমদগী লাকপা ঙাক্তনি। ঙসি দিগ্রি ফংদুনা লমদম অসি থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মতুং মণিপুরগী হোঙলক্লিবা অমদি মাঙলোমদা চঙশিল্লক্লিবা ফীভম অসি মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনগদবনি। লমদম অসিদা চহী ৪ মহৈ তমদুনা লৈরকপা মতমদা অৱা নুংঙাই কয়া থেংনরমগনি অদুবু নুংঙাইতবশিং অদু কাউথোক্লগা নুংঙাইবা কয়াবু নিংশিংদুনা মাঙলোমদা চঙশিন্নবা হোৎনগদবনি হায়খি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## ফিজিক্সকী নোবেল প্রাইজ

স্বিদেন, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সী) : রোয়ল স্বিদিস একাদেমি ওফ সাইন্সেসনা চৎলিবা চহী ২০২২গী ওইনা ফিজিক্সতা নোবেল প্রাইজ পীনবগীদমক অলাইন এস্পেক্ট (ফ্রান্স), জোন এফ ক্লাউজর (য়ু এস এ) অমসুং এনটোন জৈলিঙ্গর (অষ্ট্রিয়া) বু খনখ্রে।

## এম এল এ সৈখ নুরুল হাসনগী অপুনবা লন থুমগী শেনফম লুপা ১৩,৮৭,০৩০ ওইখি

### মণিপুর মীয়ামগী মীহুৎশিংগী লন-থুম খঙমিন্নসি -৫৯

### এম এল এ সৈখ নুরুল হাসন

খোমজিনবা- ডা. খাইদেম অথৌবা

### এম এল এ সৈখ নুরুল হাসনগী মীংদা ক্রিমিনেল কেস ১তা লৈতে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচ এন এস) : চহী অসিগী ফেব্রুৱারি অমদি মার্চতা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলদা ০৪- ক্ষেত্রিগাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা নেসনল পিপল্স পার্টি (এন পি পি)গী মীরেপ ওইদুনা মায় পাকলকখ্রবা সৈখ নুরুল হাসন (৩৬) ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ক্ষেত্রি অৱাং লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা নুর মুহাম্মদকী মচানুপানি। মহাক কুমজা ২০১৫দা ন্যু দেল্লিগী ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ ফোরেন ট্রেদতগী মাষ্টর ওফ বিজিনেস এদমিনিষ্ট্রেসন (ইন্টরনেসনল বিজিনেস) লোইশিল্লকখি। মহাক্কী লোয়নবী ডা. খালেদা সুলতানা অহমদ গভর্ণমেন্ট সর্ভেন্ট অমনি। ...মখা লামায় ৫ কলম ৬

### গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### অস! লোইরেহে!

- ময়াম লাকপবো করি তৌজৌগে?



- লৈকায়দো য়ুঙাওবশিংনা শা ওল্লে, নেসনল পার্ক ওইনা লাউথোকপীরো।

### HL Poll

Q : Chahisigi manungda leingakna Urban Local Body amasung ADC singgi meekhal pangthokkani hairibasi ngamgadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Yoogi wathokna meeyamgi mahousagi punsi kaihangadaba thoudoksing thoktanaba leingakna hotnafam thoktabra?

Yes 100% No 0%


Azadi Ka Amrit Mahotsav

# ইকোম কোম্না অমসুং শেল ইচং চঙদনা
# হেল্থক্যের সর্ভিসশিং মীপূম খুদিংমক্তা ফংহল্লগনি



"মীপূম খুদিংমক্তা খ্বাইদগী ফবা লায়েং ইকোম কোম্না ফংহনবা হায়বসি অজাদি কা অমৃট কালদা ইন্দিয়াগী মীপূম খুদিংমকপু মশা মউ ফনা লৈহনবা হায়বা লৈবাক অসিগী মীৎয়েংনি, ঙসি ইন্দিয়াগী হেল্থ পোলিসি মীপূম খুদিংমক মশা মউ ফনা লৈহনবদা মীৎয়েং থম্মী"

- নরেন্দ্র মোদি

**মীপূম খুদিংমক্তা মোদর্ন হেল্থ ফেসিলিটিশিং**

- হৌখিবা চহী ৮ হেনবগী মতমদা এইমসকী মশীং ৮দগী ২৩দা হেনগৎখি, মেদিকেল কোলেজশিংগী মশীং ৩৮৭তগী ৬৪৮দা হেনগৎখি, মেদিকেল সিটশিংগী মশীং লিশীং ৮২দগী লাখ ১.৫গী মথক্তা হেনগৎখি
- নেসনল মেদিকেল কম্মিসন লিংবদগী মেদিকেল সেক্টরনা চাউনা কান্নবা ফংলে
- ভিলেজশিং অমসুং টাউনশিংদা হেল্থ অমসুং ৱেলনেস সেন্টর লাখ কয়া হাংদোকপদগী সিটিজনশিংবু হেল্থক্যেরগী খুদোংচাবা হেন্না লায়না ফংহল্লে

**মীপূম খুদিংমক লায়েংগী খুদোংচাবা লাইনা ফংহনবগা লোয়ননা শেল ইতিং তিংদনা হীদাক লাংথক ফংল্লে**

- আয়ুসমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জান অরোগ্যা য়োজনাগী খুৎথাংদা লায়রবা ক্রোর ৫০ হেনবনা চহীদা ইমুং অমগী ওইনা লুপা লাখ ৫ ফাওবগী চাংদা লেম্না লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংলগনি
- জন ঔসাধি কেন্দ্র ৮৭০০ হেনবগী মীয়ামদা শেল ইতিং তিংহন্দনা অফবা ক্বালিটিগী হীদাক লাংথকশিং ফংহল্লে; হৌখিবা চহী খরগী মতম অসিদা য়াম্না মথৌ তারিবা মীওইশিংগীদমক্তা চাউরাক্না লুপা ক্রোর ১৫০০০ সেভ তৌহনখ্রে

**প্রিভেন্টিভ অমসুং হোলিষ্টিক হেল্থক্যেরদা মীৎয়েং থল্লে**

- ত্রেদিসনেল মেদিকেল প্রেক্টিসশিং অমসুং য়োগগী খুৎথাংদা হকচাং ফগদবা লাইফষ্টাইল প্রমোট তৌরি; রিসর্স অমসুং ইনোভেসনগীদমক সেক্টর অসিদা মপুং ফানা ইনভেষ্ট তৌরি
- টোটি ঈশিং কনেক্সনশিং, গ্যাস, টোইলেটশিংগী প্রোভিজন অমসুং স্বাছতা প্রেক্টিসশিংগা লোয়ননা লায়নাগী পোৎলুম হন্থহল্লে; মীওই লাখ কয়াগী পুন্সিবু লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকহল্লি

ৱর্ল্ড-ক্লাস হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচর দেভভুমি হিমাচলদা হৌদোক্লগনি
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক মীয়ামদা এইমস বিলাসপুর কৎথোক্লগনি
বিলাসপুর, হিমাচল প্রদেশ, ওক্টোবর ৫, ২০২২, অয়ুক পুং ১১.৩০দগী



CBC 22201/13/0127/2223



ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫